# মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১১ ম্যান্মার সিক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে



য়াঙোন, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী ম্যান্মারদা মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং মীয়াম অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা মুক্করকপদগী লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অমা লাক্লি। মরক অসিদা লৈবাক অদুদা ম্যান্মার সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংগী মনুং চন্না মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১১ ফারবা মতুং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে অমদি মখোয়গী হকচাংশিং অদু মৈ থারল্লে হায়না থৌদোক থোকফম অদুগী মনাক নক্লা লৈখিবা মীওইশিং অমদি মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।
রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, মীওই ১১ গী মৈনা চাকখ্রবা অশিবা হকচাং ১১ অদু সগাইং রিজনগী শরুক অমদা থেংনখিবনি। হায়রিবা মফম অসিদা ইথনিক রেবেল গ্রুপশিং অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মফম অদুদা লালহৌবা থিবগী মিংদা মরাল লৈজদ্রবশিং অদুবু ফারবা মতুং নোংমৈনা কাপখি অদুগা লৈমায়দা তাদুনা লৈরিবা হকচাংশিং অদু মৈ থাখিবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হকচাং অদু মৈ থাবা মতমদা অহিংবা মীওইশিং য়াওই হায়না উহৌবশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।
অমরোমদা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মশক মমিং হায়দোক্তবা এইদ গ্রুপ অমগী ভোলন্টিয়র অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দোন টো ভিলেজদা মশিং য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং চঙশিনখিবা মীয়াম্না উনহৌখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং অদু ঙসি অয়ুক পুঙ ১১ রোম তারকপা মতমদা ফারবা মতুং নোংমৈনা কাপখিবনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইহাৎপগী থবক য়াম্না তোয়না চত্থরি। অদুবু ঙসি ফাওবদা অসিগুম্বা কা হেনবা থৌওংশিং অসিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীনবা লৈতবনা মরম ওইরগা মিলিটরিনা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা চুরুট লৈবদা মতম পুম্বগী ওইনা অথিংবা থম্লগনি : হেল্থ মিনিষ্টর

ৱেলিংটন, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
মালেমগী লৈবাকশিংদা শিজিন্নরিবা ময়ায় কাবা চীঞ্জাকশিংগী মনুংদা টোবেকোসু অমনি। অতোপ্পা ময়ায় কাবা চীঞ্জাকশিং থিংনবা হোৎনবগা টোবেকো থিংনবা হোৎনবগা য়াম্না খেন্নে। টোবেকো প্রডক্ট অয়াম্বা লৈবা অমদি য়োনবদা অথিংবা লৈতবনা মরম ওইরগা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক মখল অসি থিংবদা য়াম্না অরুবা অমা ওইবগা লোয়ননা হায়রিবা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক অসি চাং নাইনা শিজিন্নবদগী শিখিবা মীগী মশিং অঙকপা ফংনা ৱাংখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মখা তানা চীঞ্জাক মখল অসিনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা চৈথেং পীহল্লক্তনবগীদমক চহী ১৪ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংনা লৈবাক অসিদা চুরুট লৈবদা অথিংবা থম্লে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা অথিংবা অসি মতম পুম্বগী ওইহল্লগনি হায়রি।
হিরম অসিগা মরী লৈননা ন্যু জিলেন্দগী এসোসিয়েট হেল্থ মিনিষ্টর অয়েসা ভেরালনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা লৈরিবা চহী ১৫রোম শুরবা মীওইশিংনা চুরুট থকপগী চাং য়াম্না ৱাংলি। মসিনা মরম ওইরগা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মখোয়বু অরানবা লম্বীদা চৎখিনবা অচৌবা মরম অমা ওইহল্লকপদা চাওনা মতেং পাংলি। মতম কয়াগী মমাংদগী ন্যু জিলেন্দ গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা চুরুট থকপা থিংনবা পোলিসি কয়া শেমদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখিবনি।
লৈবাক অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু নিকোটিনগী শরুক য়াওবা টোবেকো প্রদক্টশিং শিজিন্নবা থিংবা হায়বসি অরায়বা থবক অমদি নত্তে। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিখক্তনা হোৎনবদসু মায় পাকপা ঙম্লোই। লৈঙাক্কী ওইনদি টোবেকো প্রডক্টশিং য়োল্লিবা মীওই মশিং হন্থহনবা অমদি মখা তানা অসিগুম্বা মখলগী প্রডক্টশিং য়োন্নবগী লাইসেন্স পীদবা অসিনি। হায়রিবা চৎনবী খরা অসিনদি থৌদোক অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লোই। মরম অদুনা মমা মপা অমদি ইমুং মনুংগী অহলশিংনসু হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবা মথৌ তাই। মমা মপা ওইবশিং অমদি লৈঙাক অনী পুন্না থবক তৌরবা মতমদতা হিরম অসিগী মতাংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মায় পাকপা ঙমগনি হায়রি।





## ওমিক্রোনন দেল্টা ভেরিয়েন্টতগী শরুক মরী হেন্না শন্দোকপা ঙম্মী

টৌকিও, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
কোভিদ-১৯ পেন্দমিক হৌরকপদগী হৌজিকফাওবদা মীশিমীনা খ্বাইদগী হেন্না থোকহনখিবা লায়না লায়চৎ অসিগী ভেরিয়েন্ট দেল্টাদগী হন্দক্তা সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা শন্দোকপা চাং শরুক ৪ হেল্লি হায়না জপনাগী সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অনৌবা ষ্ট্রেন অসিদগী মীপুম খুদিংমক্কা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই হায়রি।
জপানগী ক্যোটো য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক হৌজিক হেল্থ এন্দ ইনভাইরনমেন্ট সাইন্সতকী প্রোফেসার ওইনা লৈরিবা হিরোসি নিসিউরানা ফোঙদোকখিবদা, মমাং থাগী ২৬ তা ইহান হানবা ওইনা সাউথ অফ্রিকাগী গাউটেং প্রোভিন্সতা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোনগী মতাংদা সাইন্টিষ্টশিংনা জিনোম দটাশিং এনালাইজ তৌদুনা লাকখিবনি। থিজিনখিবা অদুদগী অনৌবা ষ্ট্রেন অসিনা হান্নগী দেল্টা ভেরিয়েন্টতগী শন্দোকপগী চাং হেল্লি হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্লবা মীওইশিংদা নাহল্লকপা ঙম্বা য়াবগী ওইথোকপা য়াম্না চাওনা লৈ হায়রি।
অমরোমদা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননসু অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা করিগুম্বা অনৌবা ৱেভ অমা মালেমদা লাকহনবা ঙমখ্রবদি লৈবাক অয়াম্বনা তুংদা চাওনা খুদোংচাদবা মরুওইনা ইকনমিগী ফিভমদা অচৌবা চৈথেং পীরক্কনি। মরম অদুনা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিগী অনৌবা ৱেভ অমা লাকহন্দনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

# মরম চাদনা জর্নেলিষ্টশিং খ্বাইদগী মশিং য়াম্না ফাদুনা জেলদা থমজিনখিবা অসি হন্দক চহীনা ওইরি

জেনেভা, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা অমদি খুদোংথিবা মায়োক্লখিবা চহীশিংগী মনুংদা হন্দক চহীসু অমা ওইবগা লোয়ননা জর্নেলিষ্টশিং ফাজিন্দুনা জেলদা থম্বগী থবকসু হন্দক চহীনা হৌখিবা চহীশিংদগী হেল্লি হায়না কম্মিটি টু প্রোটেক্ট জর্নেলিষ্ট (সী পি জে)কৌবা নন প্রোফিট ওর্গনাইজেসন অসিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।
সী পি জেগী রিপোর্ট মতুংইন্না, চহী অসিগী হৌগৎলকপদগী থা অসিগী ১ ফাওবদা পুন্না জর্নেলিষ্ট ২৯৩ ফাদুনা জেলদা থাজিনখি। মখোয়শিং অসি ফাজিনখিবগী চপ চাবা মরম ঙসিফাওবদা মরী লৈনবশিংনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লকপা লৈত্রি। মসি নত্তবা জর্নেলিষ্ট কয়া অমসু মশাগী মথৌ তৌরিঙৈদা শিবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। চহী অসিগী ওইনা জর্নেলিষ্ট ২৪ মশাগী মথৌ তৌরিঙৈদা শিখি। অদুগা ১৮ অমনা মরম খঙদনা শিখিবনি। মখোয়শিং অদু অতম্মনা টার্গেট তৌরগা হাৎখিব্রা নৎত্রগা মশাগী মথৌ তৌরিঙৈদা থোকখিবা খুদোংচাদবশিংনা মরম ওইরগা শিহনখিব্রা হায়বগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা চপ চানা খঙবা ঙমদনা লাক্লি।



অমরোমদা হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থম্লিবা জর্নেলিষ্টশিং অসি মরুওইনা পোলিটিকেলগা মরী লৈননা ফাজিনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মতম মতমদুগী ওইবা লৈঙাক্তা য়াওরিবা পোলিটিসিয়ানশিংগী মতাংদা থিগত্তুনা মখোয়গী অশোয়বশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনরুবা জর্নেলিষ্টশিং মরম খঙদনা শিখিবা অমদি ফাজিন্দুনা থম্বগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। মালেমগী লৈবাকশিংদা মথৌ তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা ঙসি ফাওবদা মখোয়গী মনিং তম্বা মপুঙ ফানা ফংবা লৈত্রি। খোঙথাং খুদিংগী মখোয়না মথৌ তৌবদা অয়েৎপা পীরি। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়রি।

## গুগলগী ষ্টাফ খুদিংমক্তা হন্দক চহীগী ওইনা দোলর ১,৬০০গী বোনস পীরগনি

সানফ্রান্সিস্কো, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা থবক তৌরিবা গুগলগী ষ্টাফশিংদা হন্দক চহীগী বোনস ওইনা য়ু এস দোলর ১,৬০০ পীরগনি হায়না অলফাবেট আই এদ সী গুগলনা ফোঙদোরকখ্রে।
হিরম অসিগা মরী লৈননা গুগলনা ফোঙদোকখিবদা, কম্পনি অসিনা হন্দক চহীগী ওইনা টার্গেট তৌখিবা মখোয়গী পান্দম অদু ফংবা ঙমখিবা অমদি গুগলগী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়িশিংগী য়েংলগা বোনস অসি ৱান টাইম ওইনা পীনবা ফিরেপ লৌখিবনি।
হায়রিবা অসি গুগলগী মখাদা হকথেংননা থবক তৌরিবশিং খক্তা নত্তনা কম্পনি অসিদা ইন্টর্ন তৌরিবা অমদি করেসপোন্দেন্ট ওইনা লৈরিবা ষ্টাফশিংদসু চপ চানা পীগনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। চপ মান্ননা গুগলগী ষ্টাফশিংনসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। পীগদৌরিবা বোনস অসি ওফিসতা লাক্তনা য়ুমদগী থবক শুরিবা ষ্টাফশিংদসু পীগনি হায়রি।
মমাং চহীগী ওইনা গুগলনা কম্পনি অসিগী মখাদা থবক তৌরিবা রিগুলর ষ্টাফশিংদা দোলর ৫০০ চহীগী বোনস ওইনা পীখি। অদুবু করেসপোন্দেন্ট অমদি ইন্টর্নশিংদদি বোনস অসি পীখিদে। অদুম ওইনমক হন্দক চহীগী ওইনা বোনস পীগদবা ষ্টাফশিংগী মশিং য়ামখৎহনখিবগা লোয়ননা বোনসকী শেনফমসু হেনগৎখিবনি। মসিগী চপ চাবা মরমদি কম্পনি অসিনা মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়রি।

# চহী ১৬ কী মতুংদা এঞ্জেলা মার্কেল জর্মন চাঞ্চেলরি থাদোক্তুনা চৎখ্রে



বর্লিন, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
জর্মনিদা মতম শাংনা চাঞ্চেলর ওইদুনা লাকখ্রবী মতম অমদা মালেমগী খ্বাইদগী পৱার লৈবী নুপী অমা ওইনা খঙনখিবী এঞ্জেলা মার্কেল ঙরাং মফমদগী পোথাখ্রবা মতুং ঙসি জর্মন চাঞ্চেলরি থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।
চহী ১৬ জর্মনগী চাঞ্চেলর ওইনা মথৌ তৌদুনা লাকখ্রবী এঞ্জেলা মার্কেলনা মহাক্কী ওফিস থাদোক্লমদাই মীকুপ্তা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা লৈবাক অদুগী চাঞ্চেলর ওইনা থৌ পুহৌরগদবা ওলাফ স্কোলজগা মিনিট ২০ রোম ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নখিবা অদুদা হান্নগী চাঞ্চেলর মার্কেলনা অনৌবা চাঞ্চেলর মার্কেলদা ফোঙদোকখিবদা, ওফিস অসি ঙসিদগী নহাক্কী ওইরবনি, লৈবাক অসিগীদমক্তা অফবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা নঙোন্দা থম্লি। ঐগী থাজবা অসি নহাক্না কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই হায়নসু থাজে হায়না হান্নগী লুচিংবী অসিনা হায়খি। অমরোমদা মহাক্না ওফিস অদু থাদোক্তুনা চৎনবা থোরকপদা মীওই কয়ানা মহাকপু থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা তরাম্না ওকখি।

## ওমিক্রোননা কা হেন্না চৈথেং পীবা ওইদ্রি : নেটক্যার লিমিটেদ

কেপ টাউন, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্টনা হান্না লৈরম্বা ষ্ট্রেনশিংদগী মপাঙ্গল কনবা হেল্লি হায়না মালেমগী লৈবাক কয়ানা ফোঙদোক্লখ্রবসু অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা লৈবাক অসিদা কা হেন্না চৈথেং পীবা ওইদ্রি হায়না লৈবাক অদুদা খ্বাইদগী চওনা প্রাইভেট হেল্থ ক্যের নেটৱার্ক চলাইরিবা নেটক্যার লিমিটেদনা ফোঙদোরক্লি।
কম্পনি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী ৱেভ অহুম্লক লাকখ্রে। অদুবু অনৌবা ওমিক্রোনা ভেরিয়েন্টনা লৈবাক অসিদা অনৌবা ৱেভ অমা লাকহল্লকপা য়াবগী খুদমদি লৈত্রি। অদুবু লায়না লায়চৎ অসিনা কা হেন্না চৈথেং পীরকপা লৈত্রগসু মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্না লৈবা মথৌ তারি। লায়না লায়চৎ অসিগী মপাঙ্গলগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদবনা মরম ওইরগা ওমিক্রোনগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী থবক চত্থরি হায়রি।
অমরোমদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিংদা সাউথ অফ্রিকাদগী মীওইশিং লাকপদা অথিংবা থম্বা হৌখ্রে। সাউথ অফ্রিকা খক্তা নত্তনা অফ্রিকা রিজন্দা লৈরিবা লৈবাকশিংদা চৎপদা অথিংবা থম্বা হৌনখিবগা লোয়ননা ভেক্সিনেসনগী থবক য়াঙশিনবা হৌনখ্রবনি।

# উংখৎনরিঙৈ মরক্তা জো বাইদেননা চাইনিজ ফার্ম ২৮ ব্লেক লিষ্ট তৌখ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী উংখৎনদুনা লাক্লি। উংখৎনবা অসিনা মরম ওইদুনা নাকল অনীমক্লা অমনা অমনা তৌবা থবক্তা য়েংশিন্নবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। মরক অসিদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা চাইনিজ ফার্ম ২৮ হেন্না ব্লেক লিষ্ট তৌখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।
অমেরিকান ইনভেষ্টরশিংনা চাইনিজ ফার্ম কয়াদা অহেনবা শেনফমশিং থাদদুনা অচৌবা ব্যুজিনেসশিং তৌদুনা লাক্লি। বৈজিংগী মিলিটরি ইন্দষ্ট্রিয়েল কমপ্লেক্সকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদসু অমেরিকানশিংনা ইনভেষ্ট তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরকপদগী হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চাইনিজ কম্পনি ৩১ না পুথোরকপা প্রদক্টশিং অমেরিকানশিংনা লৈবদা অথিংবা থমজিল্লমখি।
মদুগী মতুং জো বাইদেননা চাইনাগী অহেনবা কম্পনি ২৮ অমা ব্লেক লিষ্ট তৌদুনা ৫৯ দা হেনগৎহনখিবনি। অমরোমদা য়ু এসনা চাইনিজ কম্পনিশিংগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লকখিবা অদুবু বৈজিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱাশিংটনগী কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা অসিগী ফীভম শোকচিল্লকপা য়াই।
চাইনানা এসিয়াদা লৈরিবা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক খরগা পুনশিল্লগা এসিয়াদা মনীং তম্না থবক তৌনবা হোৎনরি হায়না হ্বাইট হাউসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মনুংগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা চাইনানা খুৎ থিংজিল্লিবা অসি লেপত্রিবমখৈ ৱাশিংটনসু চাইনাগী মথক্তা কা হেন্না অথিংবশিং থমজিল্লকপা য়াই। অমরোমদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ অসি নাখৈ শেংনা লমলক্কী শাদগী শন্দোরকখ্রিবা নৎত্রগা অৱাংবা থাক্কী রিসার্ছ লেবোরেটোরিদগী থোরকখ্রিবা হায়বদু অকনবা মওংদা থিজিল্লি হায়রি।

## পেলিষ্টিনিয়নগীদমক মীওই কয়া রেল্লি চৎখ্রে

ৱেষ্ট বেঙ্ক, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলনা চত্থখিবা অহেনবা থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি অৱা অনা তারবা পেলিষ্টিনিয়নশিং শৌগৎপা ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা মীওই কয়ানা পিছ রেল্লি চৎখ্রে।
ঙসিসু লোস এঞ্জেলস, ন্যু য়োর্ক, বোষ্টোন, ফিলাদেলফিয়া অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা তোঙান তোঙানবা সিটি কয়াদা গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলনা চত্থরিবা এটেক অদু লোয়শিন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা রেল্লি চৎখ্রে। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুনা পেলিষ্টাইনবু মনীং তমহল্লু, ইজরেলনা মরাল লৈতবা মীওইশিং হাৎপা লেপকদবনি, কাঙলূপ নাইবা থবক চত্থরোইদবনি হায়না থাবা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখি।
গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলনা অঙম্বা থৌনা শক্তি শীজিন্নদুনা এটেক চত্থরিবা অদুগী কান্নবা করিনো হায়বা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। খুৎ হল্লকপা ঙল্লরোই হায়না খঙলবা মীওইদা অকনবা শাদুনা খুৎ থাবা হায়বসি অপংবা মীগী ৱাখল্লোননি। ইজরেলনা ন্যুক্লিয়র ৱার তৌবা মতমদা গাজাদগী হল্লক্কদৌরিবা অসি শুপ্নতংগী নুঙ অমদি চৈনি হায়বসি ইজরেলনা নীংশিংবা ফৈ হায়রি।

# 'চপ চাবা খুদম ফংদবনা মরম ওইরগা এলিয়ন স্পেস ক্রাফনি হায়বা লানগনি'

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
য়ু এস মিলিটরি পর্সনেলশিংনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়ু এসকী সমুদ্রগী শরুক্তা থেংনখিবা অঙকপা থবক থৌওংশিং কয়া অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা থিজিনবা ঙমদবনা মরম ওইরগা থৌওংশিং অদু এলিয়নশিংনা চত্থখিবনি হায়বা লানগনি। অমদি জহাজগী মশক মানবা পোৎশকশিং লেং ওৎপা তৌরিবা অদু এলিয়ন স্পেস ক্রাফনি হায়বসু চপ চাবা খুদম লৈতবনিনা অরানবা ওইগনি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।
সাইন্সটিষ্টশিংনা থৌওংশিং অদুগী মতাংদা য়াম্না কন্না থিজিনবগী থবকশিং চত্থরি। ঈশিংগী শরুক্তা পেন্টাগোননা উখিবা ভেসেল অদু অতোপ্পা ভেসেলশিংগা মান্নদবা অমা ওইরি। ভেসেল অদু অতোপ্পা লৈবাক্কী ওইরম্বা য়াই হায়না অতোপ্পা সাইন্সটিষ্ট খরনা ফোঙদোক্লরক্লি। হৌখিবা চহী ২০ লোম অসিদা অঙকপা থৌদোক ১২০ হেন্না য়ু এস অমদি মসিগী অকোয়বদা থোকখ্রে। থৌদোকশিং অদু এলিয়ন টেক্নোলোজিগী ওইরম্বা য়াই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লবসু মদুগী চপ চাবা খুদম ফংবা ঙমদ্রি।
অমরোমদা থৌদোকশিং অদু মতৌ করম্না থোক্লিবনো হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি। চাইনা নৎত্রগা রুসিয়ানা মখোয়গী হায়পর সোনিক টেক্নোলোজি শীজিন্নবদগী অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অসি থোরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না সেনিয়র সাইন্সটিষ্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।
হীরম অসিগী মতাংদা লাক্লিবা জুন ২৫ ফাওবগী মনুংদা ক্লাসিফাই ওইবা রিপোর্ট অমা ফোংনবা শেম শাবা লোয়রে। হৌখিবা চহীদসু হান্না থেংনখিদবা এয়রক্রাফট মখল অমনা য়ু এস নেভি সিপ অমদা অকায় অতোয় থোকহন্নবা হোৎনবা মানবগী শক্তম থেংনখি।
নোংথক অমদি ঈশিংগী শরুক্তা অসিগুম্বা মখলগী থৌওংশিং তোয়না থেংনরবসু কংফালগী শরুকশিংদদি থেংনদ্রি। ময়াম্না য়ু এফ ও হায়রগসু খঙনরিবা পোৎশকশিং অদু ওইরমগদ্রা হায়না পাউমীশিংনা হংখিবা অমদা সাইন্সটিষ্টশিংনা মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীবগী মহুত্তা হীরম অসিগী মতাংদা কন্না থিজিল্লি হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রে।
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস মিলিটরিগী মায়কৈদগী ঈশিং অমদি নোংথক্কী শরুক্তা থেংনরিবা মান্নদবা থৌওংশিং অমদি পোৎশকশিং অদুগা অন আইদেন্টিফাই ফ্লাইয়িং ওবজেক্ট হায়না দিসক্রাইব তৌবগী মহুত্তা অন আইদেন্টিফাই এরিয়েল ফেনোমেনা হায়না দিসক্রাইব তৌখ্রে হায়রি।



## হি লাকশিনবগী থৌদোক্তা মীওই ৭ শিরে

জকারটা, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
ইন্দোনেসিয়াগী জভা আইলেন্দদা ওভর ওল ওইনা লাকখিবা হি অমা ইয়ায়দা লাকশিনবগী থৌদোক্তা মদুদা তোংলকখিবা মীওই ৭ শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।
পুলিসনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা হি অমা পেসেঞ্জর ২০ হাপ্লগা কোয়বা থোরকখিবনি। হি অদুদা তোংলক্লিবা মী মশীং অদু হি অদুগা চান্নদবা অমদি মতম অদুদা মীওই ৪-৫ না হি অদুগী মপান্দা লেপ্লগা সেলফি কাপ্লবা হোৎনরিঙৈদা খঙহৌদনা হি অদু বেলেন্স ঙমহৌদবদগী ঈশিংদা লাকশিনখিবনি।
থৌদোক অদু থোকপগী পাউ হেক ফংবগী রেস্ক্যু ৱার্করশিং খুদক্তা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চত্থখি। মদুদা মীওই ১১ কনবা ঙমখ্রে অদুগা মীওই ৭ না শিনা ফংখিবনি। লেমহৌরিবা মীওইশিং অদু হৌজিক হৌজিক থিবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি। ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হি থৌরক্লিবা অদুসু মশাগী চহী ১৩ খক্তা ঙাইরিবা য়াম্না চহী নৌরিবা অমনি হায়রি।

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
HL-B/7261/2/11-1/12
PLEASE CONTACT 8974642764


1st POSITION HOLDER
HSLC 2019 (BOSEM)
BHUMIKA SHAMURAILATPAM
SMART
TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET

2nd POSITION HOLDER
HSLC 2019 (BOSEM)
SHOPHIYA ASEM
ADMISSION OPEN
MEDICAL & ENGINEERING course for 2021-2022
FOUNDATION CUM REVISION course for CLASS X & XII
NEW FOUNDATION course 2022
(HALF/FULL COURSE OPTIONAL) for CLASS X, XI & XII
CLASS STARTS: 16 DEC 21 , 22 DEC 21 , 10 JAN 22
ALL SUBJECTS
BOSEM/COHSEM/CBSE
SCIENCE & ARTS
CALL: 8730999192, 03857966211
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
HL-P/0870/9/12-9/01